# জাপানিজ হোষ্টেজ অমা হাৎখিবদা ওবামানা অৱাবা পাউজেল থাখ্রে

***ৱাশিংটন, জনুৱারী ২৫ঃ***

ইস্লামিক ষ্টেট (আই এস) না ফাখিবা জাপান মচা হোষ্টেজ অমা হাৎখ্রে হায়না ভিদিও অমদা ফোঙদোরকখ্রবা মতুংদা য়ু এস প্রসিদেন্ট বরাক ওবামানা প্রাইমনিষ্টর সিঞ্জো অবেদা অৱাবা পাউজেল পীখ্রে।

টেলিফোন্দা পীরকখিবা অৱাবা পাউজেল অদুদা ওবামানা য়ু এসনা জাপানগা মতম পুম্নমক্তা নকশিন্নদা লেপমিন্নরি হায়না ফোঙদোকখ্রে। প্রাইম মিনিষ্টর অবেনসু হোষ্টেজ অনিদুগী মনুংদা হরুনা যুকাৱা হায়বা অমা হাৎখ্রে হায়না ক্লেম তৌবা ভিদিও অমা ফংলে হায়খিবগা লোয়ননা ভিদিও অদুসু অশেংবা ওইগনি খল্লি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

কেঞ্জি গোটো হায়বা অনিশুবা হোষ্টেজ অদুবুদি হিংনা থাদোরক্নবা প্রাইম মিনিষ্টর অবেনা দিমান্দসু তৌখি। জাপান্না লুপ অদুদা থাদোকমল ওইনা দোল্লর মিলিয়ন ২০০ পীদ্রবদি হোষ্টেজ অনিমক হাৎলগনি হায়না কিহল্লকখিবনি।

হ্বাইট হাউসনা ফোঙদোরকপা ৱারোল অমদা হারুনা যুকাৱা হায়বা জাপানিজ সিটিজিন অমা আই এস না হাৎখিবা অদুদা অৱাবা পাউজেল পীনবা অদুগা জপান মীয়ামগী খোঙফম অমত্তদা লেপমিন্নরি হায়বদু খঙহন্নবা ওবামানা অবেদা টেলিফোন্দা ৱারী শাখি হায়না ফোঙদোরকখ্রে।



*ইস্লামিক ষ্টেট না থাদোরকপা ভিদিও অমদা মিলিটেন্টশিংগী কনভোয় অমা*

মখা তারদুনা হ্বাইট হাউনা ফোঙদোরকখিবদা, মিদল ইষ্ট লমদমশিংদা জাপান্না শিংথানিংঙাই ওইনা মীওইবগী মীনুংশিগী তেংবাং পীরিবা অদুক্সু ওবামানা লন্নাই ওইনা থাগৎপা ফোঙদোকখি হায়রি।

লুচিংবা অনিনা টেলিফোন্দা ৱারী শান্নবদা তোঙান তোঙানবা ইসু কয়ামরুমদা লৈবাক অনিনা হান্নগুম্না অমগা অমগা তেংবাংনবা মখা চথনবসু য়ান্নখি।

জাপান টেলিভিজন্দা পীবা ৱারোল অমদা প্রাইম মিনিষ্টর অবেনা আই এস কী থৌওং অদুবু কন্দেম তৌবগা লোয়ননা অসিগুম্বা টেরোরিজমগী থৌওং অসি কা হেন্না লম হেনবনি। অদুগা ঙাকপীনিংঙাই লৈতবনি। থৌওং অসি ঐনা অচেৎপা খোঙফমদা য়াম্না শাথিনা কন্দেম তৌই হায়নসু ফোঙদোকখ্রে।

অনিশুবা হোষ্টেজ অমা ওইনা লৈরিবা ফ্রিলেন্স জর্নেলিষ্ট কেঞ্জি গোটোবু খুদক্তা থাদোরক্নবসু প্রাইম মিনিষ্টর অসিনা দিমান্দ তৌখি।

অমরোমদা ভিদিও অদুগী পাউ হেক ফংবগা য়ুকাৱাগী অপোকপা সোইহৈনা মহাক্কী পুক্লিংদা ফাওবা ঈহুলশিং ফোঙদোক্লদুনা হায়খিবদা, থৌদোক অসি থোক্লে খঙবদা ঐঙোন্দা পুমহাং হাংবা অমা ফাওই। নুংঙাইতবা অসি ফোঙদোক্লিংঙাই ৱাহৈ লৈতে। থৌদোক অসি অওইবা ওইরমদবা ওইসনু হায়না ফোঙদোকখি।

করিগুম্বা ইচা অমবু অমুক উন্নবা ফংলবদি ঐনা চেংনা কোনবা পাম্মী হায়নসু সোইহৈনা ফোঙদোকখি। ৱাফম অমনা আই এস না থাদোরকপা ভিদিও অদুদা য়ুকাৱাগী ওইহৈদবা হকচাং অমগী ফোটো অমা গোটোনা পায়বা উৎলকখিবনি।

ভিদিও অদুদা য়াওরকপা খোঞ্জেল অমনসু অনৌবা দিমান্দ অমা ওইনা জোর্দান্দা শিবগী চৈরাক লাউথোকখ্রবী সজিদা অল-রিসাৱি হায়বী ইরাক নুপী অমবু থাদোরক্লবসু তকশিল্লকখি।

# বোকো হারাম্না মাইদুগুরিদা এটেক চথখ্রে

***মাইদুগুরি, জনুৱারী ২৫ ঃ***

ইস্লামিষ্ট মিলিটেন্ট লুপ বোকো হারাম্না নাইজেরিয়াগী অৱাং নোংপোক্লোমদা লৈবা মাইদুগুরি হায়বা য়াম্না মরুওইবা সিটি অমদা অকনবা এটেক চথরকখ্রে হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

মিলিটেন্টশিংনা সিটি অদুগী ময়োলদা চংশিন্নবা হোৎনবদগী মতাই ওইবা মফমশিংদা য়াম্না কন্না খুৎ থোক্লখি হায়রি।

নাইজেরিয়াগী মিলিটরিনসু বোকো হারামগী মথক্তা এয়ারস্ত্রাইকশিং চথবগা লোয়ননা সিটি অদুদা কার্ফিয়ু থমজিনখ্রে হায়নসু লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।





পনবা য়াবদি, বোকো হারাম্না চথরকপা এটেকশিং কিবদগী ময়ুম থাদোক্তুনা চেন্নরকখিবা মীওই লিশিং কয়ামরুম হৌজিক হৌজিক মাইদুগুরিদা চংজফম লৌদুনা লৈরিবনি।

ঙরাংসু নাইজেরিয়াগী প্রসিদেন্ট গুদ লক জোনাথন্না মাইদুগুরিদা লাক্তুনা মীয়ামগী অফ-ফত্তা য়েংশিনখি।

পনবা য়াবা অমনা বোকো হারাম্না নাইজেরিয়াদা ইং ২০০৯ দগী হৌনা ইস্লামিক ষ্টেট অমা শেম্নবগীদমক খুৎলায় লালহৌ চংশিল্লকপদগী অনম্বনা নাইজেরিয়াগী অৱাং নোংপোক লমদমশিংদা মীওই লিশিং কয়া পুন্সি মাঙখ্রবনি।

বোর্নো ষ্টেটকী কোনুং ওইরিবা মাইদুগুরিদা লৈবা মীওইশিংনা হায়বদা, ঙসি অয়ুক অঙনবদা নোংমৈ কয়ামরুম কাপ্পা অমদি মখোল হৌনা পোকখায়বা লিশাংশিংনা তাখি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মরুওইবা লম্বীশিং অমদি লল্লোল ঈতিক্কী মফমশিং সিক্যুরিটি ফোর্সনা থিংজিনখ্রে। ঙসি চথরকখিবা এটেক অদু সিটি অসিগী মতাই ওইনা লৈবা জিমটিলো দিষ্ট্রিক্টতগী হৌরকখিবনি।

জিমটিলোদা লৈবা রাচেল অদামু হায়বা মীওই অমনা পাউগী এজেন্সি অমদা হায়খিবদা, ঐখোয় খুদোংথিবা নংলে, শাথিবা এটেক অমা ঐখোয় মায়োক্ল রি, ঐখোয়গীদমক্তা লাই খুরুম্বীয়ু হায়না ফোঙদোরকখি।

মোরোনটি এরিয়াদা লৈবা বুবা কিয়ারি হায়বা অমনা পাউগী এজেন্সি অমদা হায়রকখিবদা, নোংমৈ মরুনা খুরক হাংদনা পাইরি। ঐখোয়গী নাকোংদা তাবা হায়ববু নোংমৈ অমদি বোমগী মখোলখক্তনি। রোক্কেট প্রোপেল গ্রেনেদ অমনা পানবদগী ঐগা হেক য়ুম্লোন্নবদা লৈবা মীওই অমসু শিখ্রে হায়নসু ফোঙদোকখি।

অবুজাদগী বি বি সি গী পাউমী ক্রিস ইওকোরনা হায়বদা, নাইজেরিয়াগী মিলিটরিনা ফজনা খুৎশম্নবা এয়ারস্ত্রাইকশিং অমদি লৈখাগী এটেকশিং চথরি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

করিগুম্বা মিলিটেন্টশিংনা মায় পাকখিবা তারগদি বোকো হারামগী ওইনা মাইদুগুরি লৌশিনবা অসি য়াম্না মরুওইবা লানঙমবা অমা ওইগদৌরি। লুপ অসিনা ইং ২০১৩ গী দিসেম্বরদগী হৌনা সিটি অসি লৌশিন্নবা কন্না হোৎনরক্লিবনি।

চয়োল অনিগী মনুংদা অনিরকশুবা খোঙচৎ ওইনা ফেব্রুৱারী থাদা পাঙথোক্কদবা মীখলগী কেম্পেইন ওইনা ঙরাং প্রসিদেন্ট জোনাথন্না মাইদুগুরিদা চৎখিবনি। মসিগী মমাংদা হৌখিবা জানুৱারী ১৬ তা মাইদুগুরিদা চৎখিবা খোঙচৎ অমদসু মফম অদুদা বোকো হারাম কিদুনা চেল্লকখিবা রিফুজ্যি ৫০০০ রোমদা মহাক্না হায়খিবদা, অথুবা মতমদা নখোয় নয়ুম নয়ুমদা হনবা ফংলগনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

হৌজিক বোকো হারাম্না খুদুম চল্লিবা মফম পুম্নমক লাম্মীনা অথুবা মতমদা লোয়নমক হন্দোক্লগনি হায়নসু প্রসিদেন্ট অসিনা মীয়ামদা অচেৎপা ৱাফম ফোঙদোকখিবনি।

# কাবুলদা ট্রক বোম এটেক চথখ্রে

***কাবুল, জনুৱারী ২৫ ঃ***

আফগান পুলিসনা ফোঙদোরকপা ৱারোল অমদা কাবুলগী মতাইৱাইদা ট্রক বোম অমা পোকখায়খ্রে হায়বগা লোয়ননা থৌদোক অদুদা মীশি মীনা শোয়দনা য়াওরমগনি হায়রক্লি।

চাউরাক্না চয়োল অহুমলোমগী মতুংদা অহানবা ওইনা কাবুলদা এটেক অসি চথরকপনি। কাবুল পুলিসকী ক্রিমিনেল ইনভেষ্টিগেসন দিভিজনগী হেদ লৈরিবা সিটি অসিদা পোকখায়বা য়াবা মচাকশিংনা পীক থন্না হাপ্লবা ত্রক অদু গ্যাস ষ্টেসন অমদা থৌজিল্লক্তুনা পোকখায়হনখিবনি হায়রি। ত্রক অদু পোকখায়রকপদা গ্যাস ষ্টেসন অদুসু য়াওখ্রে হায়নসু পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অদু ঙসি অয়ুক পুং ৬ তাফাৎত্রিঙৈদা থোকখিবনি হায়না নাটোনসু কনফার্ম তৌখ্রে। চহি অসি হৌরকপদগী থা অসিগী অয়াম্বা শরুক্তি সিটি অসি ঈংনা চিক্না লৈরকখিবনি। অদুমকপু য়ুরোপিয়ান পুলিস ত্রেনিং মিসনগী হেদ ক্বার্টরসতা চথরকখিবা কার বোম এটেক অমদা মশা শিজবা বোম্বর অমগা পোকখায়মিন্নখিবা থৌদোক্তা আফগানিষ্টান মচা মীচম অমা শিরগা অতোপ্পা মঙানা অশোক অপন নংবা থৌদোক অমদি লৈখি হায়নসু লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

# ইজিপ্টতা ৱাকৎলোই অমা শিখ্রে



*ৱাকৎলোয়শিংনা চংলকপা ঙমদনবা ইজিপ্টকী টাহরির স্কোয়ারগী চংফমদা আরমর্ড ভেহিকলশিং অমদি তিঙ্খাং তরাশিং*

***অলেকজেন্দ্রিয়া, জনুৱারী ২৫ ঃ***

ইজিপ্টকী মরুওইবা সিটি অসিদা হৌখিবা ইং ২০১১ গী মীয়ামগী ঈহৌ অদুগী নীংশিং কুমওন থৌরম পাঙথোক্লবা হোৎনবদা ৱাকৎলোয় অমা শিখ্রে হায়না সিক্যুরিটি লিখুনশিংনা ফোঙদোরক্লি।

মতম অদুদা ইজিপ্টকী লৈঙাক লুচিংবা ওইখিবা হোসনি মুবারক্কী লৈঙাক অদু মীয়ামগী অচৌবা ঈহৌ অমনা মথক মখা ওল্হোকখিবনি।

লিখুন অসিনা হায়বদা, ৱাকৎলোয় অদু উচেক কাপ্লবা নোংমৈ মরুনা পানবদগী শিখিবনি হায়বগা লোয়ননা পুলিসমেন অনিসু শোক্লে হায়না ফোঙদোরক্লি।

কাইরোগী হেলিওপোলিস এরিয়াদা স্পোর্টস ক্লব অমগী মপান্দা মথৌ তাবা পুলিসমেন অনিসু বোম অমা পোকখায়রকপদা শোক্লে হায়না সিক্যুরিটি লিখুনশিংনা ফোঙদোরকপনি।

মফমদগী চিংথখ্রবা প্রসিদেন্ট মোহম্মদ মোর্সিবু শৌগৎপা মুস্লিম ব্রদরহুদকী সপোর্টরশিংনা ইং ২০১১ গী লালহৌ অদুগী সিম্বোল ওইরিবা টাহরির স্কোয়ার মনাক্তা পুনখি। মীয়াম অদুনা মোহম্মদ মোর্সিগী ফোটো কয়ামরুমসু পুরকখি হায়না থৌদোক অদুবু উহৌবা অমনা ফোঙদোকখ্রে। সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মীয়াম অদুবু কোয়শিনখি। অদুগা মীয়াম অদুবু তানখায়নবা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা টিয়ার গ্যাস সেলশিংসু কাপখি।

অমরোমদা ঙরাংসু ৱাকৎলোয় নুপী অমা স্কোয়ার অসিগী মনাক্তা নোংমৈনা পান্দুনা শিবদগী চাউনা উংখৎনবগী ফিভম লৈরকখিবনি। হোসনি মুবারক্কী মায়োক্তা হৌখিবা মীয়ামগী ঈহৌ অদুগী কুমওন থৌরম মমাং চহিদা পাঙথোকপদসু ৱাকৎলোয় কয়ামরুম পুন্সি মাঙখিবনি।

মুস্লিম ব্রদরহুদনা ৱাকৎলোয় নুপী অদুবু সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা কাপ্পুনা হাৎখিবনি হায়না মরাল শিখি। শিখ্রবা নুপী অদুগী মখুরানা ফোঙদোকখিবা ৱারোল অমদা নুপী অদু ৱাকৎ ঈহৌদা শরুক্তি য়াখিবনি। অদুমকপু মহাক নোংমৈনা পানবা মতম অদুদদি দুকান অমদা পোৎ লৈনবা হোৎনখিবনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

# খালেদা জিয়াগী মথক্তা চার্জ থাঙ্গৎখ্রে

***ধাকা, জনুৱারী ২৫ ঃ***



বাংলাদেশকী ওপোজিসন লিদর খালেদা জিয়াগী মথক্তা মমাংদা থোকখিবা মীওই ২৯ শোকখিবা বস এটেক অমা শিনখিবগী চার্জ থাঙ্গৎখ্রে হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

ইকুই কুইদ্রিঙৈ মমাংদা থোকখিবা ভাইওলেন্স থৌদোক অমগা মরী লৈননা হান্নগী প্রসিদেন্ট অসিগী মথক্তা ৱায়েল থৌরম চথবা য়াই হায়না প্রাইম মিনিষ্টর শেখ হসিনানা ফোঙদোকখিবা মতুং নুমিৎ খরনি চোম্বরগা পুলিসনা জিয়াগী মথক্তা চার্জ থাঙ্গৎখিবনি হায়রি।

যাত্রাবারি এরিয়াদা থোকখিবা পেট্রোল বোম এটেক অমদা মীওই কয়ামরুম শোকখিবা অকক্লবা কেস অদুগা মরী লৈননা জিয়াগী মথক্তা চার্জ থাঙ্গৎপনি হায়না পাউমীশিংদা পুলিস ওফিসার অমনা ফোঙদোকখিবনি।

মখা তারদুনা মহাক্না হায়খিবদা, বাংলাদেশ নেসনেলিষ্ট পার্টি (বি এন পি) গী লুচিংবী অসি কেস অসিদা হুকুম্মর অসামী ওইনা মমিং পল্লি হায়বগা লোয়ননা মহাক্কী য়াথংদগী চথখিবা এটেক অদুদা মীওই ২৯ শোকখিবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

নীংশিংবা য়াবা অমনা, মমাং চয়োলদা প্রাইম মিনিষ্টর শেক হসিনানা মীশি মীনা থোকহনবা য়াবা ভাইওলেন্স থৌদোক ইনশিনবগীদমক জিয়াগী মথক্তা ৱায়েল চথবা য়ানা লৈ হায়বগী ঈঙ্গিৎ অমা ফোঙদোকখিবনি।

পুন্সি মাংনিংঙাই ওইবা য়াথং অমা পীখিবগীদমক জিয়াবু আইনগী চাউগোই নুংদা পুশিনবা অসি মরম চাবা খোঙথাং অমনি হায়না হসিনানা ফোঙদোকখিবনি।

নীংশিংবা য়াবদি, ওথোরিটিশিংনা খালেদা জিয়াবু ৱাকৎ ঈহৌ অমদা শরুক য়াবা থিংখ্রবা মতুংদা হৌখিবা জানুৱারী ৬ তগী মতম কক্তনা লৈবাক শিন-থুংবদা ব্লোকেদ অমা বি এন পি না লাউথোকখ্রবা মতুংদা চথরকখিবা এন্টি গভর্নমেন্ট ৱাকৎ ঈহৌশিংদা য়ামদ্রবদা মীওই ৩৪ পুন্সি মাঙখিবনি।

মমাং চহিগী জানুৱারী মঙাদা পাঙথোকখিবা মীখল অদু অরানবা কয়ামরুম য়াওখি হায়বগা লোয়ননা মীখল অদুগী মায়োক্তা অহানবা নীংশিং কুমওন পাঙথোকপদা ওথোরিটিনা খালেদা জিয়াবু শরুক য়াবা য়ারোই হায়না অথিংবা থমখিবনি।

# এয়ার এসিয়া প্লেনগী ফ্যুজলাজ লৌখৎনবা হোৎনবা ঙমখিদ্রে

***পাংকালান বুন, জনুৱারী ২৫ ঃ***

থা অমরোমগী মমাংদা ইন্দোনেসিয়াদগী সিঙ্গাপুর তম্না পাইবদা লমখাংদা জাভা সিগী নোংথক্তা কায়খ্রবা এয়ার এসিয়া ফ্লাইট ক্যু জেদ ৮৫০১ প্লেন অদুগী সমুদ্র মনুংদা থেংনরকখিবা ফ্যুজলাজগী মপুং ওইবা শরুক অদু রেস্ক্যুয়রশিংনা লৌখৎনবা অনিরকশুবা ওইনা হোৎনবদা ঙমখিদ্রে হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

ঙরাংসু ফ্যুজলাজ অসি লিফটিং বেলুনশিংদা পুনশিল্লগা লৌখৎনবা হোৎনবদা ঈমায় য়ৌগদবা ফিট ২২ তা ঙাইরবা মতাংদা থৌরি তৎপদগী ঙমখিদ্রবনি।

কায়খ্রবা এয়ার এসিয়া জেদ লাইনর অদুগী ফ্যুজলাজগী মপুং ওইবা শরুক অদু লৌখৎনবা অনিরকশুবা ওইনা হোৎনবদসু বেলুনগা শম্নহল্লিবা থৌরি অমা তৎপদগী অতেক-অকায়শিং অদু লৈখাদা অমুকহন্না লুপথখ্রে হায়না মরুওইবা লিখুন অমনা ফোঙদোরকপনি।

ইন্দোনেসিয়ান নেভিগী ৱাঙাংলোই মানাহান সাইমোরাংকিরনা হায়বদা, সমুদ্রগী ঈশিং ঈচেল কনবনা মরম ওইদুনা ঙসি অনিরকশুবা ওইনা হোৎনবা থৌরাং অদুসু অপনবা ওইখ্রে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

হৌজিক লৌখৎপা ঙমদনা লৈরিবা ফ্যুজলাজগী শরুকশিং অদুদা প্লেন অদুদা য়াওখিবা মীওইশিংগী অশিবা হকচাং অয়াম্বা য়াওরমগনি হায়না থাজরিবনি।

ঈরুপ্পা মীওইশিংনা মমাংদা ফ্যুজলাজগী শরুক অসি য়েংশিনখিবগা লোয়ননা অশিবা হকচাংশিং অমমমতা ওইনা লৌথোক্লবা তুংদা ফ্যুজলাজ অসি লৌখৎনবা হোৎনবগী ৱাফমসু ওপসন অমা ওইনা খন্নখিবনি।

# বাঘদাদতা বোম্না ১০ হাৎখ্রে

***বাঘদাদ, জনুৱারী ২৫ ঃ***

ইরাক্কী কোনুং অসিগী মরুওইবা লল্লোল ঈতিক্কী মফম অমদা থোকখিবা বোম অনি পোকখায়বগী থৌদোকশিংনা য়ামদ্রবদা মীচম তরাদি শিখ্রে। অদুগা কয়ামরুম্না অশোক অপন নংখ্রে হায়না ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

পুন্সি কয়ামরুম মাঙহনখিবা শাথিবা এটেক অসি বাঘদাদকী বাব অল-সার্জি এরিয়াদা থোকখিবনি। অহানবা ওইনা অপিকপা রেষ্টুরেন্ট অমগী মপান্দা বোম অমা পোকখায়বদা মীচম ৭ শিখি। অদুগা ২২ না অশোক-অপন নংখি হায়না পুলিস ওফিসার অমনা ফোঙদোরকখি।

অতোপ্পা থৌদোক অমদনা বাঘদাদকী সেন্ট্রেল সিবা এরিয়াদসু অতোপ্পা বোম অমা পোকখায়রকখি হায়বগা লোয়ননা থৌদোক অদুদা মীচম অহুম শিখি হায়নসু পুলিসনা ফোঙদোরকখি।

অনিশুবা থৌদোক অসিদা মীওই ১১ সু অশোক অপন নংখি হায়না পাউ অদুদা মখা তারকখি। হৌজিক ফাওবগী ওইনদি বোম অনি পোকখায়হনবগী থৌদোকশিং অদু করম্বা লুপ্না চথবনো হায়বগী ক্লেম তৌরকপা লৈত্রি হায়নসু পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।

**সনা-সুদোকু- ২২১ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | 6 | 7 | 4 | 3 | 8 | 9 | 1 | 2 |
| 8 | 3 | 2 | 9 | 1 | 5 | 4 | 7 | 6 |
| 1 | 9 | 4 | 6 | 2 | 7 | 8 | 3 | 5 |
| 6 | 2 | 8 | 1 | 7 | 3 | 5 | 9 | 4 |
| 4 | 7 | 1 | 2 | 5 | 9 | 6 | 8 | 3 |
| 9 | 5 | 3 | 8 | 6 | 4 | 7 | 2 | 1 |
| 7 | 1 | 5 | 3 | 9 | 6 | 2 | 4 | 8 |
| 3 | 8 | 9 | 5 | 4 | 2 | 1 | 6 | 7 |
| 2 | 4 | 6 | 7 | 8 | 1 | 3 | 5 | 9 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-222**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 1 | | 7 | 6 | | 5 | | |
| 5 | | | | | | 3 | | |
| | | 6 | 5 | | | 9 | | |
| 4 | | | | | 2 | | 8 | |
| 9 | | | | | | | | 7 |
| | 6 | | 4 | | 8 | | | 5 |
| | | 2 | | | 4 | | | |
| | | 3 | | | | | | 2 |
| | | 5 | | 1 | 7 | | 6 | |

